**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিং মীওই য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

২) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ভারতনা তেরোরিজম থেংননবা লৌখৎলিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা স্পেন, জরমনি, ফ্রান্স, কটার অমদি জপানগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৩) পাকিস্তান লান্মীনা জম্মু কাশ্মীরগী ঙমখৈ পরিংদা নোংমৈ অমদি মোর্তার বোম য়াওনা কাপশিল্লকপদা মীচম ১৫ লৈখিদ্রে, মীওই ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

------

পুলিস (এল) ঃ মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিং মীওই য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঋারোক চীংশাংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, থার্তিসিক্স হেন্দগ্রেনেদ ৪, পোম্পি গন অমা, ইন্সাস রাইফলকী কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি, ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা ইরম সিফাই লৈরক অশাংবদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক মীয়াম, চেক্কোন বেঙ্ক অমসুং সরকারগী ওফিসশিংদগী নমদুনা শেল খোমগৎপা মীওইনি হায়রি। মঙোনদগী মোবাইল হেন্দসেট অনি অমদি শেল খরা ফাগৎলে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অৱাং খুনৌ ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমসু ফাখি। মঙোনদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী থা অসিগী ৬ তা কে.সি.পি (নোয়োন) গ্রুপকী কাদর অনি অমসু ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঙাইথেল আউট পোষ্ট ময়া চরু লমখায়দগী য়ুঙাং লিতর লিশিং ২,৫০০ ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু পুরকখিবা মীওই অনিসু ফাগৎখি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৯৩ অমসুং ১১৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অপন অয়েৎ থোক্তনবা চ্যেক পোইন্ট ১০৯ হাংদোক্লে।

ভেন (এল)ঃ স্কুল অঙাংশিং পুরিবা ভেন য়াওনা অতৈ গাড়িশিংদা অঙাং মশিং হেন্না হাপতুনা পুবা ঙসিদগী য়েংশিনবা হৌরগনি।

ইম্ফালদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবদা ইজ্কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্র মৈতৈনা হায়- অঙাং মশিং হেন্না হাপচিনবনা অঙাংশিং শ্বোর হোনবা ৱাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মহাকা হায়- মসিগী মথক্তা চহি শুদ্রিবা মহৈরোইশিংনা চাকা অনি পানবা গাড়ি তোংদুনা মহৈ মশিং তম্বা চৎপা অসিসু আইনগী মীৎয়েংদদি য়াদে। অসিগুম্বশিং অসি য়েংলগা

ইজ্‌কেসন বিভাগনা ঙসিদগী ত্রাফিক পুলিস য়াওনা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা য়েংশিনবা হৌরগনি। হায়রিবা কাংবুশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা মহৈরোইশিং স্কুলদা থিল্লকপগী মওং মতৌশিং য়েংশিনগনি।

জয়শঙ্কর ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা স্পেন, জরমনি, ফ্রান্স, কটার অমদি জপানগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা ভারতনা তেরোরিজম থেংননবা লৌখৎলিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবশিং অসিনা পহলগাম তেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোরকখি অমদি অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা তেরোরিষ্টশিং অদুবু থেংননবা পায়খৎলকপা থবকশিং মখোয়না পুকিং থৌগৎলকখি।

অমরোমদা, নেসনেল সেকুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী সেক্যুরিতি এদভাইজরশিংগসু ভারতনা তেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খঙহনখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা পাঙথোক্তুনা ভারত লান্মীনা মখোয়গী থৌনা অমদি হৈ শিংবা উৎতুনা অনৌবা ইতিহাস অমা শেম্লে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং বোর্দর রোড ওর্গনাইজেসনগী ৬৬ শুবা রেজিং ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিংহনা হায়- আর্মদ ফোর্সেসনা নিংথিনা শেম শাদুনা অখন্ননা খন্দোক্লবা মফমশিং খক্তদমক লান্দাবা হায়বসি য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা থবক অমনি। মসি ভারতনা মশাগী হক অমদি তৌফম থোকপা থৌদাং মশক খঙনা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি। শ্রী রাজনাথনা হায়- ভারতনা থুগাইখিবা মফমশিং অদু তেরোরিষ্টশিংগী ত্রেনিং তৌফমনি। ওপরেসন সিন্দুর অসি তেরোরিষ্টশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা লৌখৎপা খোঙথাংনি। মহাকা হায়- ভারত লান্মীগী খুৎশু খুৎলায় অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাজ্য ৬- সিক্কিম, মিজোরম, অরুনাচল প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, রাজস্থান অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনি- জম্মু কাশ্মী অমসুং লদাখতা লুপা কোতি লিশিং ১,৮৭৯ চংনা পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংসু ওনলাইনগী খুত্থাংদা শ্রী রাজনাথ সিংহনা শঙ্গাখি। মহাক া শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা লন্বী ১৭ অমদি থোং ৩০ য়াওরি।

জেকে ঃ পাকিস্তান লান্মীনা জম্মু কাশ্মীরগী পুন্স অমদি রাজৌরিদা ঙরাং নোংমৈ অমদি মোর্তার বোম য়াওনা কাপশিল্লকপদা অঙাং অমসুং নুপী য়াওনা মীচম ১৫ লৈখিদ্রে, মীওই ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থৌদোক অসি ভারতনা ঙরাং পাকিস্তানদা ওপরেসন সিন্দুর চত্থদুনা তেরোরিষ্টকী লৈফম ৯ থুগাইখিবা অদুগী তুংদা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী তুংদা জম্মু কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল অমদি ঙমখৈদা লৈরিবা মীচমশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ২২ হাৎখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা অদুদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা চয়োল অনিগী মমাংদা সি.আর.পি.এফ, পুলিস, দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ অমদি স্পেপসিয়েল টাস্ক ফোর্সনা কোইশিন্দুনা লৈরকপনি। তুংদা ঙরাং অয়ুক নোংমৈ কাপখিবনি। থৌদোক অসি রাজ্য অদুগা তেলঙ্গনাগা তাইনরিবা কারিগুতা চীংদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী হকচাং ২২ সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎখ্রে।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদ্না ঙমখৈ রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, দি.জি.পিশিং অমদি চীফ সেক্রেটরিশিংগী ওইবা মীফম অমা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ফমখিবা মীফম অদুদা জম্মু কাশ্মীর, পঞ্জাব, রাজস্থান, গুজরাত, উত্তরাখন্দ, উত্তর

প্রদেশ, বিহার, সিক্কিম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, লদাখ, জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপালশিংসু শরুক য়াখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইন্দিয়াগী এয়ার ষ্ট্রাইক্তা তেরোরিষ্ট ৭০ রোম হাৎখ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগী সবহেদলাইন ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেট ফমখ্রে হায়না ফোংলি।

ওপরেসন সিন্দুর: ইন্দিয়ানা পাকিস্তান অমদি পাকিস্তান ওক্কুপাইদ কাশ্মীরদা লৈরম্বা তেরোরিষ্টশিংগী মফম ৯ থুগাইখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউশিং তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউশিংদসু ফোংলি।

মফম মঙাদা মোক দ্রিল পাঙথোক্কুনা মীয়াম্বু মীৎ-না শিংহনখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কেপাসিতি হেন্না পুদনবা মহৈরোই পুবা গাড়িশিং য়েংশিনবা হৌরগনি: দাইরেক্তর হায়বা পাউ অমা পোকফমগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল-জিরি লম্বী: নুঙ দলালগী থোংনা খুরৌ ওইদুনা লৈরি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়নগী থৌ পুগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নরনা চান্দেল জিলাগী চাওখৎ থৌরাংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিগী জিদুরি, লম কোয়বশিংনা পামবা মফম ওইরক্লি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী এনকর কলমদা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা বি.জে.পি নোর্থ ইষ্টকী ইনচার্জ সম্বিত পত্রগী নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎ লোইশিনখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা মণিপুরগী মফম কয়াদা ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা লান তৌরকপদগী চেকশিন থৌরাং ওইনা মীয়ামগী ওইবা মোক ড্রিল পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা সেনাপতিদা নুমিৎ মরিনি পাঙথোক্কদবা অনিসুবা নাগা কনক্লেভ হৌদোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------